# ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা পাঙথোক্লিংলিবা থবকশিং অমদি মখোয়গী ৱাখল্লোনশিংগী পাউদম







ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনদা ষ্টেট অসিগী এ সী ৬০দা কেন্দিদেট কয়ানা লম্বা থেংনখ্রবা মতুংদা ঙসি মীখলগী ফল লাকখ্রে। মীখল অসিগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা এ সী তরুক লৈবগী মনুংদা বি জে পিগী মীহুৎ মরি অমসুং এন পি পিগী মীহুৎ অনী মায় পাকখ্রে।

এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি তরুক লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা নম্বোল এ সীদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সিটিং ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী কেন্দিদেট এন লোকেনবু বি জে পিগী কেন্দিদেট টি ঐচ বসন্তনা ভোট মশীং ৩০৬০ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি। এ সী অসিগী ওইনা অপূনবা পোল তৌখিবা ভোট ৩০,৯৪৪গী মনুংদা বি জে পিগী কেন্দিদেট টি ঐচ বসন্তনা ভোট ১৬,৮৮৫ ফংদুনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট এন লোকেনগী ভোট ১৩,৮২৫ ফংবদগী ভোট ৩০৬০ হেন্দুনা মায় পাকখি। এ সী অসিদা নোটাদা ভোট ১২৪ অমসুং ভোট ১১০না রিজেক্ট চৎখি।

ওইনাম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা বি জে পিগী সিটিং এম এল এ লাইশ্রম রাধাকিশোরনা হান্নগী এম এল এ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ডা. আই ইবোহনবীগী লোয়নবী আই নলিনিগী মখুৎতা ভোট ৩৫৫দা মায়থীহৌরে। কেন্দিদেট ৭না লম্বা তৌনরিবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী মীরেপ আই নলিনিনা ভোট ১০,২০৮, বি জে পিগী মীরেপ এম এল এ এল রাধাকিশোরনা ৯,৮৫৩, আই এন সীগী কেন্দিদেট টি ঐচ ইথোইবীনা ভোট ৩,১৮৭, আর পি আইগী কেন্দিদেট এল ব্রোজেননা ৯৬১, জে দি-য়ুগী কেন্দিদেট টি ঐচ স্বরনকুমারনা ভোট ৪৮৯, শিব সেনাগী অসেম বাবুনা ভেট ৪০১, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপতা মণিপুরদা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা চহী ২৭ খক্তা ঙাইরিবা ঙাঙোম শিবকুমারনা ভোট ১২৭ অমসুং নোটাদা ভোট ১২০ ফংখি।

বিষ্ণুপুর এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৫দগী ঙসি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী টিকেটতা তরুকলক থংন-থংননা মায় পাক্লবা মমাঙ চহীগী জুলাই ১৭তা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকপগা লোয়ননা এম এল এদগী রিজাইন তৌদুনা বি জে পিদা য়াওখিবা হৌখিবা চহী কয়াদা মিনিষ্টরগী ফম কয়া পায়খ্রবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী কেন্দিদেট ও নবকিশ্বরদগী ভোট ১৪০৯ হেন্দুনা মায় পাকখ্রে।

কেন্দিদেট অহুম্না লম্বা তৌরিবা এ সী অসিদা অপূনবা ভোট ২৯৬৬১ পোল তৌখিবগী মনুংদা বি জে পিগী কেন্দিদেট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ভোট ১৩,৬১১, জে দি-য়ুগী কেন্দিদেট ও নবকিশ্বরনা ভোট ১২২০২, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ৱাই জয়কুমারনা ভোট ৩৩৯৫, নোটাদা ভোট ৩৫০ অমসুং ১০৩না রিজেক্ট চৎখি।

মোইরাং এ সীদা অহানবা ওইনা এন পি পিগী কেন্দিদেট টি ঐচ শান্তিনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা আই এন সীদগী বি জে পিদা নৌনা চঙদুনা বি জে পিগী টিকেটতা লেপ্লিবা এক্স-এম এল এ এম পৃথিবীরাজবু ভোট ২২৩১ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি। এ সী অসিদা এন পি পিগী কেন্দিদেট টি ঐচ শান্তিনা ভোট ১৪৩৪৯, বি জে পিগী কেন্দিদেটনা ভোট ১২১১৮, আই এন সীগী কেন্দিদেটনা ৯৩৫৮ অমসুং নোটাদা ভোট ২৭১ ফংনখি।

থাঙ্গ এ সীগী ওইনা হৌজিক হৌজিক সিটিং এম এল এ ওইরিবা হান্না টি এম সীদা মায় পাকখিবা বি জে পিগী কেন্দিদেট তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট বিরলা হাওবিজমদগী ভোট ৫২৫১ হেন্দুনা মায় পাকখি। ষ্ট্রেট ফাইটদা লম্বা তৌখিবা এ সী অসিদা বি জে পিগী কেন্দিদেট টি রোবিন্দ্রোনা ভোট ১৩০৯৫, আই এন সীগী কেন্দিদেট বিরলা হাওবিজমনা ভোট ৭৮৪৪ ফংখি। লোয়ননা নোটাদা ১৯৬ অমসুং ভোট ৭০না রিজেক্ট চৎখি। লোয়ননা এ সী অসিদা অপূনবা ভোট ২১২০৫ পোল তৌখি।

কুম্বী এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা মীরেপ মঙানা লম্বা তৌনবদা অহানবা ওইনা মীরেপ ওইরিবা বি জে পিগী কেন্দিদেট সনসম প্রেমচন্দ্রনা মহাক্না খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা অহানবা ওইনা লেপ্লিবা জে দি-য়ুগী মীরেপ সঞ্জয় অহন্থেমবু ভোট ৩৭২দা মায়থীবা পীখি। এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা অপূনবা ভোট ২৬২৩১ পোল তৌবগী মনুংদা বি জে পিগী কেন্দিদেট এস প্রেমচন্দ্রনা ভোট মশীং ৮৫১৩, জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী কেন্দিদেট অহন্থেম সঞ্জয়না ভোট মশীং ৮১৪১ অদুগা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্লবা ভেটরিয়ন পোলিটিসিয়ন নিংথৌজা মঙ্গিনা ভোট মশীংনা ৭৭৮৭, এ সী অসিদা অহানবা ওইনা মীখল থেংনরিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ডা. কে ঐচ রোমেশনা ভোট মশীং ১১৬৯, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা এম সোরোজিনিনা ভোট ৩৩০, নোটাদা ভোট ১৪৭ অমসুং ভোট ১৪৪না রিজেক্ট চৎখি হায়রি।

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা ৬-কৈরাওদা বি জে পিদা ভোট কাখ্রবা লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, এ সী অসিদা খ্বাইদগী নক্লা লম্বা তৌনখিবা নেসনল পিপলস পার্টিগী মীরেপ এম দি নসিরুদ্দিন খানদগী পুন্না ভোট মশীং ৮২০৯ হেন্না ফংদুনা ভোট কারকপনি। মসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইজবদি কৈরাও হায়রিবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসি দ্রগ লল্লোনবা লুচিংবশিং অদুগী মখুৎতগী কনবা ঙমহৌবা অসিমক নুংঙাইবা অনী শুদে। নৎত্রবদি এ সী অসিদা লৈরিবা নহা কয়া খাঙুথক্তা পুন্সি পীখম্নরম্লগনি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক নহা কয়া অমসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক দ্রগকী ঈরোলনুংদা লূপতুনা লৈরিবনি। কৈরাও এ সী অসি লৌমী-শিন্মীনা নম্না লৈবা লৈত-লায়রবা অৱাবা ইমুংনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা এ সী অসিদা লৈরিবা লৈত-লায়রবা মীওইশিংগী অৱাবা কোক্লবগীদমক এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইরবনিনা ঙসিদি ঐনা পাঙথোকচগে খল্লম্বা থবকশি অদু মপুং ফানা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি।

এ সী অসিদা লৈরিবা ইমা-ইবেলশিং, অহল-লমনশিং অমদি নহা কয়াদা থবক পীদুনা শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং অমমম ওইহন্নবগীদমক লম্বী য়াৎতুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌরগনি। লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লূপ্তুনা লৈরিবা নহাশিংবু কনবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা মীরোলশিংবু স্পোর্টকী লমদা পুশিল্লক্তুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোক্লা লৈনবা হোৎনরগনি। লোয়ননা এ সী অসিদা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা লম্বী-থোংফৎতবগী প্রোব্লেম, অনা-লায়েংশঙ লৈতবগী অৱাবা, মহৈ-মশিন তম্নবগীদমক লৈরিবা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং ফজনা শেমগৎপা অমদি লৌউ-শিংউগী থবক্তা লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাবা কয়া অসিসু কোকপা ঙম্নবা হোৎনরগনি। ঙসি ফাওবদা এ সী অসিনা শোখ্নবা লৈরম্লিবা অসি হৌখিবা এম এল এশিংনা মশাগীতা ওইনা খন্দুনা মীয়ামগী খন্দনা থবক তৌরম্বদগী ওইখিবনি। অদুবু ঙসি এ সী অসিগী মীচম মীয়াম্না মীৎ পাঙলক্তুনা ৱাখল তারক্তুনা অওনবা অমা পুরকপা পাম্বদগী ঐহাকপু এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহনবীরকপগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু মহাক্লা ঙসি ভোট কারবা মতুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পোরোম্পাৎ দি সীদা সর্টিফিকেট লৌবা লাকপদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা ১৪-য়াইস্কুল এ সীদা বি জে পিগী টিকেটতা ভোট কারবা থোকচোম সত্যব্রতনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না ঐহাক্লা পাঙথোকখিবা থবকশিং অদুবু শীংথাবীদুনা এ সী অসিগী মতিক চাবা মীহুৎ অমনি খনবীদুনা অমুক্কা হন্না ভোট কাহনবীরকপা অসি য়াম্নমক নুংঙাই। মীয়ামগীদমক নীংবা থুংনবা অমদি থাজবা পুন্নমক মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি ইকনমিদা মীপাল তাঙদুনা হিংদুনা লৈরক্লিবসি য়াম্না কুইরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা ওইদনবগীদমক থৌরাং থৌশিল কয়াসু শোয়দনা পায়খৎলগনি। লোয়ননা এ সী অসিদা লৈরিবা নহাশিংনা মানা মানা পামজবা লম্বীশিংদা মায় পাক্লা চৎপা ঙম্নবগীদমক ফাইনান্স সপোর্ট পীবগা লোয়ননা মখোয়গা চান্নবা শিনফমশিংদা মতিক চানা ট্রেনিং পীদুনা চৎলিবা লম্বীশিং অদুদা অমুক্কা হেন্না মায় পাক্লা চৎপা ঙম্নবগীদমক মার্কেটিং পোলিসীনচিংবসু শেমগনি। লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা ইস্যু কয়াসু কোক্লবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

১২-কৈশামথোং এ সীদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপতা ভোট কারবা সাপম নিশিকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, ভোটকী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন কেম্প্যেনশিংদা ঐহাক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং শেল চারোই, থবক লৌবদা করপসন তৌরোই, ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক কখোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌগনি হায়খিবা পুন্নমকশিং অদু শোয়দনা পাঙথোক্কনি। ঐহাক্লা ঙাংখিবা ৱাফমশিং অদু কনাগুম্বা খরনা নাপল তৌই হায়নখিবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু ভোট কারবা মতুংদসু ঐনা হায়জরি মদুদি, পাঙথোক্কে হায়খিবা ৱাফমশিং মপুং ফানা পাঙথোকপগা লোয়ননা ইমা লৈবাক্কীদমক মপুং ফানা থৌগল তৌগনি। অসিগুম্বা ঐহাক্কী ৱাখল্লোনবু খঙবীরদুনা এ সী অসিগী মীয়াম্না ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা ওইরবসু মপুং ফানা শৌগৎপীদুনা ভোট কাহনবীরকপগীদমক মীয়ামগী তৌবীমল কাউজরোই অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## মনি পৱার অমদি মসল পৱার থাংমৈবন্দ এ সীগী মীয়াম্না নমথরম্লগা ঐহাকপু থাগৎপীরকপনি : জয়কিষন

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
লৈঙাক্কী মনি পৱার অমদি মসল পৱার অদুবুদি থাংমৈবন্দ মীয়াম্না মীনুংশিগা লোয়ননা থবক তৌবা অদুনা মরুওই হায়না থাগৎপীরকপা অদুবু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। লোয়ননা মীয়ামগী থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই হায়খি।

ঙসি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী মীরেপতা মায় পাক্লবা খুমুকচম জয়কিষননা সর্টিফিকেট লৌবা লাকপদা পাউমীশিংগা দি এম কোলেজগী কেম্পসতা উনবদা মহাক্লা হায়, রুলিং পার্টিগী মনি পৱার অমদি মসল পৱারবুদি মীয়ামগী থবক তৌবনা হেন্না মরুওই হায়দুনা থাংমৈবন্দগী মীয়াম্না মহাকপু মীনুংশিগা লোয়ননা থাগৎপীরকপসি তৌবীমল খঙবা উৎচরি। মীয়ামগী মঙোন্দা থল্লিবা থাজবা অদু মাঙহন্দনা থবক তৌগনি।



মহাক্লা মখা তানা হায়খি, থাংমৈবন্দগী এরিয়াদা কম্ম্যুনিটি হোল অয়াম্বা শাবা লোইশিল্লক্লে। থক্লবা অফবা টৌটি ঈশিং ফংহন্নবগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। লোয়ননা লম্বী-থোংদি খরা শেম্বা ৱাৎলি। অদুগা টৈইলেট লৈতবশিংসু লৈঙাক্লা শাবীদ্রবসু মহাক্লা অয়াম্বা শাবা লোইশিল্লক্লে। য়ুথশিংগীসু এদ্যুকেসনগী লম্বীশিংদা লাইরিক-লাইশু তম্নবগী চহী খূদিংগী লুপা লাখ ২০ লোমসু কায়থোক্তুনা থল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইলেক্সনদা ভাইওলেন্স তৌনরিবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়খি, ঐখোয় অসি বর্মাগা নক্লনা লৈরুবদগী মখোয়গী নুংশিৎ অদু মফম অসিদা য়ৌরক্লব্রা। লমদম অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়বা চপ চানা ৱাহন্থোক পীবা ঙল্লিবরা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রে। হন্দক্কী ইলেক্সন অসি ইলেক্তৈদ হায়বদু মাল্লক্ত্রে, সেলেক্তৈদ হায়বদু মাল্লক্লে। কনাগুম্বা কাঙবু খরনা সেলেক্ট তৌরগা খনবগী মওংদা লৈরে। মণিপুরদা হৌজিক দেমোক্রেসি লৈতবগুম্বনি।

## মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরগনি : করাম শ্যাম

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
মণিপুরদা বি জে পি খক্তগী লৈঙাক লৈরগনি থাজবা থম্বগা লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বশিংসু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙল্লগনি হায়না লংথবাল এ সীদা মীখল অসিদা মায় পাক্লবা করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ১২শুবা মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা থাংমৈবন্দ দি এম কোলেজ কেম্পসতা সর্টিফিকেট লৌবা লাকপদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা মখা তানা হায়, হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাক্লা হান্না ফংগনি হায়না আশা তৌরম্বা খরা হন্থরিবা অসি মহাক্কী শাগৈগী মীওই অমা ভোট লেপশিল্লকপা অসিনা খরা হন্থরকপনি হায়না খল্লি। থবক থৌরম ফজনা পায়খৎপদা হেন্না থাজবা থম্মী।



মদুনা হেন্না ভোট ফংগনি হায়না খঞ্জরম্বনি। অদুবু ঐগী ইশু অমনা ভোট লেপশিল্লকখি। ঐহাক থা ৭ মুক্তি মীয়ামগী থবক তৌজখি। অদুবু ঐনা খল্লম্বা অদুদগী খরদি হন্থরে। অদুবু কাগনি হায়বদি চাউনা লৈ। মতম খরগী মমাঙদা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা মহাক চাম্মদা চাম্মা ভোট কাগনি হায়খিবনি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়খি, লাক্লিবা চহী ৫ অসিদদি য়ুথশিংগীদমক্তা অখন্নবা থবক খরদি পায়খৎনবা হোৎনগনি। অদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট অসিদি এ সী/এ সীগী থবক ওইবনা মসিসু পায়খৎনবা হোৎনগনি। লোয়ননা হ্যুমেনিটি সর্ভিস পীনবা হোৎনগনি। মহাক মশামকসু চহী ১৩/১৪ শুরকপা অদুদগী হৌনা মীয়ামগী লৈত-লায়রগী মতেং পাংবা হৌরকখি। মদু মখা তানা চত্থখিগনি। লোয়ননা মীওইববু নুংশিবা অসিসু য়াম্না মরুওই।

লাক্লিবা চহী মঙা অসিদদি নহাশিংদা হেন্না ফোকস পীনবা য়ুথ দিভেলপমেন্ট কাউন্সীল অমা শেম্লে। য়ুথ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং শেমগৎপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা থবক হৌরগনি হায়খি।

## অঙাংশিং শেম্বদা প্রাইওরিটি পীগনি : খ্বাইরাকপম রঘুমনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
লমদমসিগী অঙাংশিং লাইরিক-লাইশু তম্বদা হেন্না মতেং পাংনবা থবক্লা উৎকনি হায়না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা উরিপোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপতা মায় পাক্লবা খ্বাইরাকপম রঘুমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা থাংমৈবন্দগী দি এম কোলেজ কেম্পসতা সর্টিফিকেট লৌবা লাকপদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়, লমদমসিগী নহাশিং অফবা এদ্যুকেসন পীনবগীদমক অফবা ওজা থমদুনা কোচিং পীনবা হোৎনগনি। অহল ওইরবশিংদা পীবা ওল্ড এজ পেন্সন অসি লৈঙাক্লা পীবা অসি য়ামদবনা মহাক্কী মায়কৈদগীসু খরা হাপ্পুনা পীনবা হোৎনগনি। লোয়ননা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিং অসি মখোয়গী ষ্ট্রিম লাইনদা পুনবা হোৎনবগা লোয়ননা প্রাইভেট বিজিনেস তৌনবগীদমক শেন্থং পীনবা হোৎনগনি। শেন্থং অদু করমহাইনা পীগদগে হায়বগী মতাংদা বেঙ্কতগী লোন লৌরগা পীনবা হোৎনগনি। মদু থা ৬ রোম চঙগনি। এ সী অসিগী লম্বী-থোংগী ফীভমসু ফগৎনবা হোৎনগনি। এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা নম্বুল প্রোজেক্ট অমদি ৱাটর প্রোজেক্টনচিংবসু পায়খৎনবা হোৎনগনি। মরুওইনা নম্বুল তুরেলগী রিটর্নিং ৱাল চনবা ৱাৎহৌরিবা শরুকশিং অসি শেমগৎনবা হোৎনগনি হায়খি।



## শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা মতিক চাবা মীওইশিং পুথোক্কনি : ইবোমচা

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
লম্লাই এ সীদা টর্ম তরেৎলক ভোট থেংনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা অমুক ফাওবা ভোট কাদবনা মরম ওইরগা ভোট কাখ্রবা এম এল এনা মপুন্সি চুপ্পা ভোট কাবা ঙল্লরোইদবা মীওইনি হায়খিবা অদু ঙসিদি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা মীয়ামগী থৌজালদগী মায় পাক্লকপা ঙল্লে। লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা এম এল এশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শেল পায়বদা অহুমশুবদা লৈরি হায়নরিবা এ সী অসিগী এম এল এবু মায়থীবা পীবা ঙম্বা অসিনা ঐগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা অমা ফাওই হায়না লম্লাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপতা ভোট কারক্লবা খোংবান্তাবম ইবোমচানা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লম্লাই এ সীদা মতিক চাবা টেলেন্ট লৈরবসু এ সী অসিগী এম এল এনা শেমগৎপীদবনা অমদি শেন্মীৎলোন মপুং ফানা লৈনবা লম্বী য়াৎপীদবনা লৈত-লায়রবশিংনা পীক থনবা মরম্না মচা-মশুশিংবু শেম্বা ঙমদবদগী ঙসি ফাওবদা লম্লাই এ সীদগী আই এ এস ওফিসর, ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র অমদি অচৌবা ফমশিং অমত্তা পায়বা ঙমদনা লৈরি। অসিগুম্বা অৱাৎপশিং অসি কোকহনবা ঙম্নবগীদমক এ সী অসিদা পায়খৎপা য়াবা থবক কয়া শোয়দনা পায়খৎলগনি।

এগ্রিকলচর, এদ্যুকেসন, হেল্থ সেক্তর অমদি মরুওইনা লমদম অসিগী মীচম মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী থবক অথুবদা হৌরদুনা লম্লাই এ সীদা লৈরিবা টেলেন্ট লৈরবা নহাশিংবু চহী কয়াদগী ফংফম থোকপা রাইট ফংদনা লাক্লিবদু ফংহল্লগনি। পুন্নমক্লা হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। এম এল এ অমা ওইবা হায়বসি শুপ্নগী মহাক্কী এ সী অদুবু শেমগৎ-শাগৎপা খক্তা নত্তনা মণিপুরদা থেংনরিবা অৱাবা অমদি লৈরিবা ইস্যুশিং কোক্লনবা থবক তৌগদবনি। মরম অদুনা চহী কয়াগী মতুংদা এম এল অমা ওইবগী মঙলকখিবা মঙলান অদু ঙসিদি থুংলবনিনা মীয়ামগীদমক মপুং ফানা থবক তৌবা ঙম্নবা শুংশোয় শোয়দনা হোৎনরগনি। ৱাখল্লোন অসিবু খঙবীরদুনা লম্লাই এ সীগী মীয়াম্না মীখল অসিদা মায় পাকহল্লকপগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লুচিংবশিংনা পীরকপা পোর্টফোলিও হরাওনা লৌগনি : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
সেন্টরগী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা পীরকপা পোর্টফোলিও হরাওনা লৌগনি। এম এল এ অমা ওইজরবসু বি জে পিগী অশেংবা ৱার্কর অমা ওইবনা পার্টি অসি চাউখৎনবা হোৎনগনি হায়না থোংজু এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিগী মীহুৎ ওইনা কারকখ্রবা থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ভোট কারবা মতুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দি সী ওফিসতা মীখল মায় পাকপগী সর্টিফিকেট লৌবা লাকপদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, থোংজু এ সীগীদমক পাঙথোকপা য়াবা থবক কয়া পাঙথোকখ্রে। মখা তানা পাঙথোক্কদবা থবক কয়া অমসু লৈরি। মরুওইনা থোংজু এ সী খক্তা নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা নহাশিং মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনগনি। মীয়াম্না থাজবীদুনা মীখল অসিদা মায় পাকহনবীরকপগীদমক থোংজু এ সীগী মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।



চাউখৎ থৌরাংগী মখা চত্থরকপা ওইনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং মপুং ফানা ফংহন্দুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থবক অকনবা মওংদা চঙশিল্লগনি। হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা য়াম্না নুংঙাইতবা ৱাফম অমনা নোটাদা ভোট মশীং য়াম্না থাদবগী অচৌবা মমি অমা উই। মসিনা তাকপদি লুচিংবশিং অসিদা থাজবা ৱাৎলি হায়বনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা লুচিংবশিংদা থাজনরক্ত্রিবা অসি কোক্লনবা থবক লুচিংবা পুন্নমক্লা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। বি জে পিনা মশীং য়াম্না ঐখোয়না থমখিবা সিট ৬০গী মনুংদা ৪০ কারক্কনি হায়খিবদু চপ চানা য়ৌরকপা ঙমদ্রবসু সিট ৩২ ফংলকপা অসি পার্টি অসিগী চাউনা মায় পাকপনি। পার্টি অসিনা মেজোরিটি ওইরবনিনা মণিপুরগী পাঙথোক্লিংদুনা লাকখিবা থবকশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা পার্টি অমসু ওইরিবনি। থবকসু মপুং ফানা পায়খৎলকপনা লাক্কদৌরিবা চহী ২০/৩০ রোমদি ইন্দিয়াদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরগনি হায়বসি অখণ্ড-অহৈ কয়ানসু ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। ঐখোয় পুন্নমক অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## এদ্যুকেসন সিষ্টমদা অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনগনি : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস):
অন্দ্রো এ সীদা চাউখৎপগী থবক কয়া পায়খৎখ্রে। অদুবু এদ্যুকেসনগী লমদসু অমুক্কা হেন্না মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলগনি। হৌখিবা চহীদা কোভিদ লায়না-লাইচৎ লাকখিবা অমদি টেন্থ সেদ্যুলগী চৈথেং খরা ফংখিবনা মতম খরা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙমদনা লৈখি। মদু হন্দক্কী টর্ম অসিদদি থোক্লরোই। মরম অদুনা মীয়ামগী থবক শোয়দনা মপুং ফানা পাঙথোক্লগনি।

লমদম অসিদা পুথোকচরিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়ূনা মীওই কয়া শোকহল্লকপনা মখোয়বু কনবা ঙম্নবগীদমক অমদি ষ্টেট অসিগী ইকনমি ফগৎপা ঙম্নবগীদমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শুংনরিবা য়ুশিং অসি য়াম্না ফজনা শুংদোক্লগা নোত ফোর সেল ইন মণিপুর হায়না পুথোক্লগা মপান লমদা থাদোক্লবা হোৎনগনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী ইকনমিদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি। মসিদা মীয়াম্নসু ষ্টেটকী ইকনমিগী খল্লগা শোয়দনা সপোর্ট তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।



লোয়ননা অন্দ্রো এ সীদা হৌজিক হৌজিক করি করম্বা মীয়ামগী য়াইফনবা তঙাইফদবা থবকশিং অদু মীয়ামগা তান্নরগা অওনবা এ সী অমা ওইহনবা ঙম্নবা থবক পায়খৎলগনি। লোয়ননা অন্দ্রো এ সী হায়রিবা মফম অসি লৌমী-শিন্মীনা নম্না লৈবা মরম্না ঈথৈ-লৌখোং অমুক্কা হেন্না মতিক চানা পীবা ঙম্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎকনি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোলশিংবু মাগী মাগী মতিক চাবা হিংবা ঙম্নবগী লম্বী অমমমসু য়াৎনবগী থৌরাং থৌশিল থবক ওইনা পাঙথোক্লগনি।